**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-08.2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-সমাজ অসিদা থকশি খাশি য়াওদনা করিগুম্বা চাউখৎ থৌরাংগী থবক অমত্তা মায় পাকপা ঙমলোই।

ইম্ফাল ইষ্টকী লুৱাংশংবমদা লৈবা লিবরেল কলেজতা নুমিৎ নিনি চখগদবা মেগা জোব ফিয়ার (রোজগার মেলা) হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সমাজ অসিদা অফবা অওনবা পুরকবা হোৎনবদা নহাশিংনা চাউরবা দায়ত্ব লৌগদবনি। মহাকা হায়-নহাশিংগী মরক্তা থকশি খাশি লৈনবগীদমক অমদি অহল লম্মন, মমা-মপা অমদি ওজাশিংবু থক খা খঙনা চৎকদবনি।

মহাকা হায়-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা রাজ্য সরকারনা স্কিল দিবলপমেন্ট প্রোগ্রামগী খুৎথাংদা ত্রেন্নিং পীরি। মখোয়না পুথোকপা পোৎথোকশিং সরকারনা লৈশিনদুনা মপান লমদা থাদোক্লি।

শ্রী বিরেননা হায়-ঐখোয়গী লৈজরিবা মচাক মথুম অমসুং হৈথোই-শিংথোইবা অসি মপুং ফানা শিজিন্নরবদি রাজ্য অসি অথুবা মতমদা চাউখৎপা রাজ্য অমা ওইবা ঙমগনি। মহাকা হায়-হৌজিক লৈরিবা মীরোল অমদি তুংদা হৌরক্কদবা য়েলহৌমীশিংনা অকি-অখঙ লৈতনা লৈবা য়াবা সমাজ অমা শেমবা হোৎনবদা সরকার খক্তা নত্তনা মীপুম খুদিংমক্কী চাউরবা দায়ত্ব লৈ।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা ইনর্ফোমেসন অমসুং পব্লিক রিলেসন্স মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জন সিংহনা হায়-সরকার অসিনা রাজ্য অসিগী নহাশিংবু খুৎ-শা হৈহনবগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা তোঙান তোঙানবা স্কিল দিবলপমেন্ট

প্রোগ্রামশিং পায়খৎলি। মহাকা হায়-নহাশিংদা মশা মশাগা চান্নগদবা খুৎশা হৈবগী ত্রেন্নিং পীরবদি লম খুদিংমক্তা হৈথোই শিংথোইবা ঙমগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা শিক্ষা মন্ত্রি-থৌনাওজম বসন্তকুমারনা হায়-লাইরবা অমসুং ইনাক খুনবগী মরক্তা লৈনরিবা খেৎনবা কোকহন্নবগীদমক নহাশিংনা খুৎ-শা হৈবগী লমদা পীরিবা খুদোংচাবশিং লৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

মহাকা হায়-সরকারগী হয়ার সেকেন্দরি স্কুল ৪০ ভোকেস্নেল ত্রেন্নিং হৌখ্রে। মসিগী মথক্তা রাস্ত্রিয়া উৎচতর শিক্ষা অভিয়ানগী মখাদা সরকারগী কলেজশিংদা খুৎ-শা হৈবগা মরী লৈনবা কোর্সশিং হৌরে।

ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-খুমন্থেম দাইনা, এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসিএলশিং য়াওবা থৌরম অদ্দা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা কলেজ অসিগী অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ বিল্ডিং, ক্লাস রূম অমসূং ও.বি.সি নুপিমচা মহৈরোইশিংগী হোষ্টেল অমা শঙ্গাখি।

**ক্রিসি (এল)ঃ** ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে) ইম্ফাল ইষ্ট (অন্দ্রো) না শিনদুনা পি.এম. কুশুম স্কিম-হন্দ্রেদ দেস এক্সন প্লানগী মতাংদা রিন্যুয়েবল ইনজিগী ৱার্কশোপ অমা কেন্দ্র অসিগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

মীওই ৪০ রোমা শরুক য়াখিবা ৱার্কশোপ অদুদা সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতিগী দাইরেক্তর ওফ এক্সটেন্সন এদুকেসন-প্রোফেসার-পি.ঐচ. রঞ্জিৎ শর্ম্মনা লৌমীশিংনা সোল্লর পম্পকী স্কিমশিংগী কান্নবা হেন্না লৌদুনা মখোয়গী শেন্থোক হেন্না লৈনবা হোৎননবা হায়খি। থৌরমদুগা মরী লৈননা স্কিম অসিগী মতাংদা খুদক্তা রেজিস্তার তৌবগী কেম্পেইন অমসু পাঙথোকখি।

**এক্সিদেন্ট (এল)ঃ** ইম্ফাল-টিদিম লম্বীদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা মীওই অনি শিরে।

পুলিসকী চেরোল অমনা হায়-ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ মিনিট ৪৫ অদুৱাইদা

মালোমরোমদগী ইম্ফাল তমা থৌরকপা মোটোর সাইকল অমনা ঘারি মখা লৈকাইদা লৈবা ভারা শানবা য়ুম অমগী মমাংদা খোঙনা চৎলম্বা মীওই অমা থেংজিনবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। খোঙনা চৎলম্বা অমসুং মোটোর সাইকল থৌরকপা মীওই অনিমক ফিভম লুনা শোকপদগী ক্বাকৈথেলদা লৈবা এসিয়ান হোস্পিতালদা পুখৎলকপদা মখোয় অনিমক শিনা পুরক্লে হায়না হোস্পিতাল অসিগী ডাক্তরশিংনা খঙহল্লকখি। লৈখিদ্রবা মীওই অমা মশক খঙদোকবা রিমসকী মোর্গতা থল্লি। মরী মতাশিংনা থা অসিগী ২৯ ফাওবদা মশক তাক্লদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

মশক খঙদ্রিবা মীওই অদু ফুট মঙা ইঞ্চি ৩ লোম ৱাংই, মশা পাই, কুলৈ কুচুনি, মশম তেন্না ককই, হিগোক্কা অঙৌবগা লাংবা হাফ সার্ট অমা লিৎলি। নাপু মচুগী টি-সার্ট অমসু লিৎলি। উৎ মচুগী খোঙ্গ্রাউ অমা শেৎলি।

**বিরেন (এল)ঃ** অসামগী জিলা মরি-কছার, করিমগঞ্জ, হৈলাকান্দি অমসুং হোজাইদা মনিপুরি লোলবু এসোসিয়েট ওফিসিএল লেঙ্গৈইজ ওইরগনি হায়না অসাম সরকারনা লাউথোকখিবা অদুবু মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অসামগী মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্ব শর্ম্মবু থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা শ্রী বিরেননা হায়-অসামদা লৈরিবা মনিপুরিশিংনা মতম কুইনদগী দাবী তৌদুনা লাকপা ৱাফম অসিবু খঙবীদুনা অসাম বিধান সভাদা এমেন্দমেন্ট বিল অমা পুথোকখিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মহাকা হায়-পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মন্ত্রি-পিয়ুস হজারিকানা অসাম ওফিসিএল লেঙ্গৈইজ (এমেনদমেন্ট) বিল-২০২৪ হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা অসাম বিধান সভাগী মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা মুখ্য মন্ত্রিগী মহুৎ শিন্দুনা বিল অদু পুথোকখি।

**নোং (এল)ঃ** মনিপুরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমনি অসিদা মফম খরদা অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

ইন্দিয়ান মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরগী চেরোল অমনা হায়-অৱাং নোংপোক থংবা অসাম অমসুং মসিগা লোন্নবা মফমশিংদা নোংলৈ নুংশিৎকী শাওম লৈবা মরমনা মনিপুরদা অকনবা নোং চুখিগনি।

লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎ ফাওবদা তমেংলোং, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলগী মফম কয়াদা অখাক অরাওগা লোয়ননা নোং চুগনি হায়রি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ কী মফম কয়াদা চিং নিংখায়বা অমসুং লৈখোম লৈনাং চেন্থরকপদগী লম্বী ফাওনদ্রে। নোনে জিলাগী অৱাং খুল অমসুং রাংখুং খুলগী মরক্তা চাউনা চিং নিংখায়বদগী লম্বী অসিদা গাড়ি চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াদনা লৈরি। মরি লৈনবশিংনা এক্সকাবেটর শিজিন্নদুনা লৈখোম লৈনাং অমসুং লৈবাক কোৎথোকপগী থবক চথরি।

থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈশিং ঈচাউগী অৱাবা মায়োকরিবা মফমশিংদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা কোইনা চৎতুনা ঙসি য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুগা মরী লৈননা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা খাঙবোক, সঙাইয়ুম্ফম, তেন্থা, তেকচম অমসুং লৈশাংথেম খোঙ মনুংনচিংবা মফমশিংদা লৈবা ঙাগী ফার্ম, লৌফম অমদি য়ুম কয়া ঈশিংনা থুমজিনবদগী মাঙ তাকহল্লে।

মহাকা হায়-ঈশিং থুমজিনখিবদগী য়ুমশিংদা লৈবা য়াদ্রবশিংগীদমক রিলিফ কেম্প মরি-লৈশাংথেম খোঙ মনুং, খাঙবোক, সঙাইয়ুম্ফম অমসুং তেন্থাদা হাংদোক্লে। কেম্পশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী পীবা হৌরে।

অমরোমদা, লাঙথেল জিলা পরিষদকী মেম্বর অমসুং সাপম গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়ারপার্সননা তেকচম ময়াই লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা তঙাইফদবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে।

**হেল্থ (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাগী নীংশিং খুলদা লৈবা ফমুং ৫০ লৈবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালগী ফিভম ঙসি রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর-ও. সনাহনবী দেবীনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

মীহুৎ কাংবু অদুনা হোস্পিতাল অসিগী অকোইবগী ফিভম অমদি অৰাৎ অপাশিং য়েংশিল্লবা মতুং জিরিবামদা লৈবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, মৈরা পায়বীশিং, খুঞ্জাশিং অমদি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল মোনিটরিং কমিতি জিরিবামগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা হোস্পিতাল অসিগী অৰাৎ অপা অমদি মখোয়গী পেন্দবশিং খন্নখি। দাইরেক্তরনা হায়-হোস্পিতাল অসিদা মাইনর ওপরেসন ঠিয়েটর হাংদুনা ওপরেসনশিং তৌবা হৌরে অমদি ওপরেসন ঠিয়েটর অসি শেমজিনবা হৌরে। মহাকা হায়-হোস্পিতাল অসিগী ইনটেন্সিপ কেয়ার য়ুনিট (আই.সি.য়ু) অথুবা মতমদা থবক হৌরগনি।

**এমপিপি (এল)ঃ** নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিল (এন.ই.সি) গী দ্রাফট ভিজন প্লান ২০৪৭ গী অহুমশুবা চেপ্তুরদা আর্ট, কলচর অমসুং নেচরেল হেরিটেজতা চিন ষ্টেট ওফ মনিপুর হায়বা ৱাফম য়াওরম্ববু মনিপুর পিপলস পার্টি-চনুরা মরুপনা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

চনুরা মরুপকী জেনরেল সেক্রেটরি (মেদিয়া) না থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-দ্রাফট অসি ফোংবদা চেন্নরিবা এন.ই.সিগী মীওইশিংগী মথক্তা কেন্দ্র সরকারনা অথুবা মতমদা থবক লৌখৎকদবনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** অঙাংশিংনা দ্রগ অমসুং ময়াই কাবা নিশাগী পোৎলমশিং

শিজিন্নদবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ভাব তাহনবগী থৌরম অমা থৌবালদা লৈবা নিমাইচান্দ এন্দ কৈন্যা হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

জোনেল এদুকেসন ওফিসার, দিষ্ট্রিক্ট সোসিএল ৱেলফিয়ার ওফিসার, চীফ মেদিকেল ওফিসার, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট অমসুং সুপরিনটেন্দেন্ট ওফ পুলিস-থৌবালগী ওফিসনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা অখঙ-অহৈশিংনা দ্রগ শিজিন্নবনা মাঙজবা অমসুং দ্রগ লল্লোনবা অমদি মসিদগী ঙাকথোকবা হায়বসিগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খেকমন লাই হরাউফম কম্যুনিতি হোলদা নোংমগী ওইবা চেংগুম থাবা অমসুং মসিবু কৈথেলদা য়োন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

নৌনা শাবা ইকো ক্রেস প্রাইবেট লিমিটেদনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-থৌবাল পুন্না শিনবা থৌরম অসিদা বিনিফিসরি ১০ খনগৎখি। খনগৎলবা বিনিফিসরিশিংদা রো মেটরিয়েল য়াওনা মখা তাবা তেংবাংশিং পীখি।

**কাউন্সিল্লিং (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা পাট ফাইন্দর হায়না মিংথোনবা জিলা অদুগী অহানবা কেরিয়ার কাউন্সিল্লিং সেন্টর ঙসি হাংদোকখ্রে।

চর্চ রোড-তমেংলোংগী জেট.ই.এফ. কেম্পসতা লৈবা কাউন্সিল্লিং সেন্টর অদু হাংদোকপগী থৌরমদা শকাইরবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** মোইয়োন ত্রাইব ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন-চান্দেলগী নৌনা থৌ পুগদবশিংগী ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা ঙসি চান্দেল জিলাগী থোমা মেমোরিএল হোল-কপাম ভিলেজতা পাঙথোকখ্রে।

**ফাউন্দেসন (এল)ঃ** য়ুথ ভোলুন্টিয়ার ওর্গনাইজেসন-ক্ন সিফাই লিংখৎখিবগী ৪৬ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী ক্না সিফাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা লমদমদুগী ওইনা পরিক্ষাদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোইশিং, শান্নরোইশিংদা মনা-মথুম পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

**মনকি বাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী ১১৩ শুবা মনকি বাট-পুকিংগী ৱা হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি। হন্দক্কী অসিনা শ্রী মোদিগী অহুম্লক শুবা টার্মগী অনিরক শুবা ইপিসোদনি।

থৌরম অসি অকাশবানি অমসুং দুরদর্সন অমদি এ.আই.আর নিউজগী ৱেব সাইট অমসুং নিউজ ওন এ.আই.আর মোবাইল এপপতসু তাবা ফংগনি। এ.আই.আর নিউজ, দি.দি নিউজ, পি.এম.ও অমসুং ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইভ ষ্ট্রিমিং তৌগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা মদুগী মনিপুরি ৱাহন্থোক অকাশবানি ইম্ফালদা শন্দোক্কনা তাহনগনি। মসি হয়েং নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। হায়রিবা থৌরমশিং অসি এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু নুমিৎসিমক্তদা শন্দোক্কনি। দাইলেগ লোলশিংদনা মথং নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**ডেঃ** থা অসিগী ২৯ দা লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল স্পোর্টস ডেদা মীপুম খুদিংমকা শরুক য়াবীনবা কেন্দ্রগী য়ুথ এফিয়ার্স অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রি-ডা: মনশুখ মন্দাভিয়ানা আপিল তৌরি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মংলান অমা ওইরিবা ভারতপু মশা মউ ফবা লমদম অমা ওইহন্নবা ৱাখল্লোন অদুগী মখাদা মীয়ামনা মশা মউ ফনা লৈবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে। মহাকা হায়-নেসনেল স্পোর্টস ডে অসি শান্ন-খোৎনবগী লমদা মায় পাক্লবা মীওইশিংবু ইকায় খুমবা উৎপগী খুদোংচাবা

অদুখক নত্তে। মসিদি শান্ন খোৎনবনা মীওই অমগী হকশেলগী ফিভম করমা ফনা লৈগদগে হায়বদু নিংশিংহনবনি।